# রিমসকী ও পি দি থিংজিনবা য়ানিংদেঃ এমসু

ইম্ফাল, জুলাই ২২(ঐচ এন এস)ঃ রিমসকী ডোক্টর অমবু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা য়ারোই হায়দুনা সীজ ৱার্ক চত্থদুনা ও পি দি থিংজিল্লিবা অসি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এমসু, ময়ায় লোয়শঙগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি লাইময়ুম সুর্বলানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, থা অসিগী ৬তা রিমস্তা অঙাং উনবগী লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা থোকচোম ওংবী খেরোদাগী মতাংদা থিজিন্দুনা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনরি।

মরাল লৈবা ডোক্টর চৈরাক পীয়ু হায়বা নৎতবীদা অশোইবা অমসুং অরানবা লৈখিব্রা হায়বগী চিংনবা লৈবদগী থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থরিবা অসিদা প্রেসর পীদুনা অচুম্বা নাথৈনবা হোৎনবা মানবা মওংগী খোঙজং অসিদা ডোক্টরশিংদি মরাল লৈরবসু শোকপা য়ারোই হায়বগী মওংদা কনখৎপা মানবা মওং অসিনা খুন্নাইগী লৈবাক মীয়াম্বু উশিৎতবনি হায়না লৌদবা ঙমদে। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈবাক মীয়াম্না য়াফম থোক্তে অমসুং লৈবাক মীয়াম্না খন্নবীয়ু হায়রি।

মশাগী মথৌ চেকশিন্দবদগী থোক্লকপা মীশি-মী অসিবু থিজিন্নবা শেমখিবা ইনক্বারি কমিটিগী মরু ওইবা মেম্বর অমা ওইরিবা ডা. রঞ্জিৎনা ওবষ্ট্রেটিক্স এন্দ গাইনিকোলোজি সোসাইটি, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ডা. ট্রিনিটি সস্পেন্দ তৌখিবা ওর্দর নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা হন্দোক্কদবনি হায়খিবা অসিসু য়াম্না লাইবক থীবনি। থৌওং অসি প্রোফেস্নেল ইথিক্স খঙজদবতা নৎতনা মশাগী মোরেল ভেল্যু লৈজদ্রবা অমসুং অদুগুম্বা মীশক অদুদগী হেন্না লৈখা তারবা অমা অমুক লৈত্রে হায়বা য়াই। অসিগুম্বা ডোক্টরশিং রিমস্তা লৈরম্বা অসিমক খুন্নাইগী ওইনা অমম্বনি হায়রি।

রিমসকী ওথোরিটিনা ইনক্বারি অমা চত্থবগী রিপোর্ট পীখৎলক্ত্রি ঙৈদা রিমসকী ডোক্টর অমসুং ষ্টাফশিংনা ও পি দি থিংজিন্দুনা সীজ ৱার্ক তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিমক লমদম অসিগী মীয়ামদা পীবা অকিবা পীরি। ডোক্টরশিংদি তৌনিংবা তৌবা য়াগদবনি হায়বগী লীচৎ অমা লোয়নবা মাল্লি। থৌওং অসি মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খল্লি হায়বা তাকই। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈবাক মীয়ম্না অকনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারে হায়রি।

ঙসি খুন্নাই অসিগী মীয়াম অমসুং ডোক্টরশিংগী মরক্তা অফবা মরী অমা লৈবা ঙম্লক্ত্রিবা অমসুং মীয়াম্না ডোক্টরশিংবু থাজবা ৱাৎশিৎল্লক্লিবা অসিমক ডোক্টর ফেটরনিটিদা লৈবিরিবশিংনা খঙজিনবা চুম্মী। নন-প্রাক্টিস এলাৱেন্স করিগীদমক ফংলিবনো খঙবীয়ু। খেরোদা মীশিগী অচুম্বা থিদোকমিন্নবদা ডোক্টরশিং অমসুং নর্সশিংনসু মতেং পাংবীয়ু। এইমসকী থাক্তা পুরক্লবা হোৎনরিবা রিমসকী এটসোফিয়ার কায়হনবা পামদে হায়রি।



*মনিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা সগোলবন্দ মায়কৈদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম*

## এব্ব্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২( ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিঁএসন (মালা)না রাজা রামমোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন, কোলকটা, ককচিংগা খুৎশম্নদুনা চারাচান্দপুরগী রেবর্ন কোলেজদা লাইব্রেরী এব্ব্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্টনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী ভাইস-প্রিন্সিপাল টি লিয়ানচানপোনা চীফ গেষ্ট, চুরাচান্দপুর কোলেজগী হান্না লাইব্রেরিয়ান এস ফুংজাখমনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং কাংজম চাউবানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২২( ঐচ এন এস)ঃ হৌখিবা মে ১৬ অমসুং ১৭কী লোন্নবা অহিংগী লোন্নবা অহিং পুং অনীরোম তাবদা রিমস্তা ইন্টর্ন তৌরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী চান্দুপুর ময়ায় লৈকায় ৱার্দ নম্বার ৫দা লৈবা ডোক্টর নিংথৌজম জ্ঞানেস্বরবু বোইজ হোষ্টেলগী টোইলেট মনাক্তা শিবা য়ানা ফুরস্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা মরী লৈনবা পুম্নমক্তা ৱাকৎচরবসু থা অনী হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা লংলা লংজিন অমত্তা পুথোকপা ঙমদববু দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসন, নম্বোল, য়ুনাইটেদ ৱিমেন'স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং চাউখৎ খোঙথাং নুপী লমজিং লূপ্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ লমজিংবনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, হৌজিক ডোক্টর জ্ঞানেস্বর শিজ হোস্পিটালগী আই সী য়ু রুমদা শিবা চঙবা খঙদনা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রবদি জে এ সীগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২২( ঐচ এন এস)ঃ কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লূপ, নম্বোলগী থৌমী অমসুং দোনর ওইরম্বা লাইশ্রম মালেম এলিয়স ইবোমচা খুমন, উৎলৌ চনুরা মমাঙদা লৈবনা থা অসিগী ২০দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না লুপ অসিগী থৌবুরেল এন লুখোয়না প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## শো উৎলগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২২( ঐচ এন এস)ঃ সঙ্গিৎ নাটক একাদেমী, ন্যু দিলিগী শেন্থং মখাদা মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয় (এম দি য়ু)না পুথোকপা 'খিরজির খান'গী প্রেমিয়র শো থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা উৎলগনি হায়রি।

এম দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ ডা. এ খোলচন্দ্রনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দাইরেক্টর এল উপেন্দ্র, ক্রিটিক্স ফোরম, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. আই এস কাংজম অমসুং এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোহলনা মথং শিৎনা অথোইবা লেংবিরকপা, ইকায়খুম্নরিবা লেংবিরকপা অমসুং থৌরম মপু ওইগনি।

## এদ্যুকেসন সেমিনার য়াওরুনবা লেকচরর অহুম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২(ঐচ এন এস)ঃ ওরিষাগী ভুবনেশোরদা থা অসিগী ২৩ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্টর্ন জোনেল এদ্যুকেসন সেমিনার য়াওরুনবগীদমক মণিপুর হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী লেকচরর অহুম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী লেকচররর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেমিনার অদুদা শরুক য়ানবগীদমক চৎখিবা কাঙবু অদু এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা লুচিংবনি। কাঙবু অদুদা লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্রিন্সিপাল ইউ কুঞ্জো অমসুং ককচিং হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী সেনিয়র লেকচরর এম রামেশ্বর য়াওরি।

পাঙথোক্কদৌরিবা সেমিনার অদুদা ইন্দিয়াগী হোংলক্লিবা এদ্যুকেসনগী শক্তমগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিগী অনৌবা এদ্যুকেসন পোলিসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নগনি হায়রি।

সেমিনার অসিদা সাইন্টিফিক এদ্যুকেসন চপ চানা ইন্দিয়াদা চৎহন্নবগী মতাংদা অকনবা ৱাফম কয়াগী ৱারেপ লৌদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অকনবা মওংদা ওজাশিংনা থেংনগনি। জোব ওরিএন্টেদ এদ্যুকেসন সিষ্টেম চৎননবা মমাঙগী লৈঙাক্লা পাঙথোক্লম্বা থৌরাং কয়া থবক ওইনা পাঙথোকপা ৱাৎলি। মরম অদুনা সেমিনার অসিনা হীরম অসিদসু অকনবা মওংদা ৱারেপ কয়া লৌবতা নৎতনা প্রাইমারীদগী য়ুনিভর্সিটি ফাওবগী ওজাশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং লেপথোক্কদৌরি। এদ্যুকেসন অমসুং করপ্সন হায়বা ৱাফম অনী অসি অসুক্কী মতিক কন্ট্রাদিক্টরি ওই। অদুবু হৌজিক লৈবাক অসিদা করপ্সন অসি মরা তাখিবনা মরম ওইদুনা এদুকেসনবু তুংলোমদা হলহল্লি। মরম অদুনা করপ্সন ফ্রী ওইবা এদ্যুকেসন ওইহন্নবগী মতাংদসু অকনবা ৱারেপ কয়া লৌগদৌরি হায়রি।

পাঙথোক্কদৌরিবা সেমিনার অসিদা ইন্টরনেস্নেলগী ওজাশিংগী লূপশিংদা থৌ পুরিবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াগনি। মখোয়না গ্লোবেলাইজেসন, প্রাইভেটাইজেসন তৌবগী মতাংদা খন্নরগা ৱারেপ লৌগনি। মণিপুরগী এদ্যুকেসন্দা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা দেলিগেট অহুম অদুনা মরিক চুম্না পাউদমলুবগা লোয়ননা মণিপুরগী এদ্যুকেসন ফগৎহন্নবগীদমক ষ্টেট অসিগী হান্না লৈরম্বা স্পেসল কেটগরি ষ্টেটস হঞ্জিনহন্নবা ৱাফমসু পুখৎকনি হায়রি।

## 'গোদাউন শানবা ফিরেপ তরাম্না ওকই'

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা লাইচিং খুমনদা এফ সী আই গোদাউন শানবা ফিরেপ লৌরকপা অসি তরাম্না ওকই হায়না মরিং উপারুপ এসেমব্লিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিকসিটি সেক্রেটরি সী ঐচ মোদুননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা লাইচিং খুমন অসি এফ সী আই গোদাউন শাবগী চপ চাবা মফমনি। মসিদগী পোৎচৈ চিংথোক-চিংশিন তৌবদা খুদোং চাগনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা লাইচিং খুমন্দা এফ সী আই গোদাউন শানবা লৈঙাক্কী ফিরেপকী মায়োক্তা জে এ সী অমা শেম্বসি মরিং উপারুপনা অঙকপা পোকই। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লাইচিং খুমন্দা এফ সী আই গোদাউন শাবগী থবক থুনা চঙশিনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## এম এন এফনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : লমদমসিগী ইরোল ইয়েক অমদি চীংমী-তম্মী অনীগী অচেৎপা মরী শাগৎনবা হোৎনবদা মীতৈ নেসনল ফ্রন্ট (মীতৈ ফুরুপ অপুনবা), এম এন এফ কংলৈপাক্লা লৌরকখিবা থৌদাংদা শরুক য়ারকখিবী খুরাই সোইবম লৈকায়দগী নিংথেমচা ওংবী ইন্দিরা লৈমানা থা অসিগী ২০দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না এম এন এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি লাইশ্রম নোংমাই লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ২০দা স্কাই হোস্পিটালদা লৈখিদ্রবী ইন্দিরা লৈমা এম এন এফকী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনগী থৌ পুরম্বীনি। মহাক্লা লৈখিদবগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক খুরাই সোইবম লৈকায়দা লৈবা এম এন এফকী ময়াই লোয়শঙদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখি। ফুরুপসিগীদমক মহাক্লা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নীংশিংদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা এম এন এফকী পাউতাক্লোয় মোইরাংথেম নোংদালেনখোম্বনা ময়াই তাঙবল লৌখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## চাইল্ড সোলজর খন্নবা হোৎনরম্বা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি : টি এস এ

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)না চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা অঙাং খরবু চাইল্ড সোলজর ওইনা খন্নবা হোৎনবগী পাউ তাবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি হায়না থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ) চান্দেলগী জেনরেল সেক্রেটরি লেলেন হাওকিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, স্কুল চৎলিবা অঙাং অহুম্বু কে এন ওগী কাদর খরনা চাইল্ড সোলজর ওইনা খন্নবগী হোৎনরম্বা থৌওং অসি নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল লোগী মায়োক্তনি। মসি লোনা য়াদবা থবক অমসুনি। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু)গী গাউন্দ রুল অমদি এগ্রীমেন্টকী প্রিন্সিপলগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি।

সূদা লৈরিবা গ্রুপ্পা অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থবদা লৈঙাক্লা য়ারিবা করিগীনো? মীহাৎ-মীপুনগী থবক চত্থবসু লৈখ্রবনি। ফীভম অসিদা মীচম মীয়াম্না করম্না সেক্যুর ওইনা হায়না ঙমগদৌরি। অসিগুম্বা থৌওং অসি কন্দেম তৌই। অঙাংশিংগী হক্কীদমক সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা খোল্লাউ লাউবীয়ু। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মতাংদা নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা থোক্তনবা লৈঙাক্লা নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## নুঙ দলান্দা অমুক্কসু লেন্দস্লাইদ থোকপদগী লম্বী থিংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা অহিংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীগী নুঙ দলান্দা খঙহৌদনা চীং নীংখায়রকপদগী লম্বী থিংখ্রে। প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি নুংবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সিবিলোংদগী কিলোমিটর অনীরোম চৎলগা লৈবা নুঙ দলান্দা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা খঙহৌদনা নুঙজাও য়াওনা চীং নীংখায়রকপদগী লম্বী থিংখ্রে। নুঙ দলান মপাদা চীং নীংখায়বদগী লম্বী থিংবা অদুনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল্লোমদগী লাকপা গাড়ীশিং নুঙ দলান লানবা য়াদদুনা লমখাঙদা পন্দুনা লৈরি। জিরিবামদগী পোৎ পুদুনা চঙলকপা গাড়ীশিংসু ইম্ফাল য়ৌশিনবা ঙমদনা নুঙ দলান মনাক্তা পন্দুনা লৈরি।

মফম অদুদা চীঙ নীংখায়রিবা অদুদা ফুট ১৫ রোম ৱাংবা নুঙজাও অমা য়াওবদগী ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা বি আর টি এফকী কাঙবুনা বোম মরী নুঙজাও অদুগী নাকল নাকলদা ফীটি তৌরগা পোকখায়হন্দুনা নুঙ অদু থুগায়খি হায়রি। বি আর টি এফকী কাঙবুনা মফম অদুদা স্কাভেটর অমা শীজিন্নদুনা লৈচাকশিং অদু খোৎতোকপগী থবক কন্না চত্থরি হায়রি।

ঙসি নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা বি আর টি এফনা কন্না হোৎনবদগী গাড়ী লীক্লম অমদি ফাত্তুনা লম্বীদা পল্লম্বা গাড়ীশিংসু লান্থোকপা হৌনরে হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি থা অসিগী হৌখিবা ১৮ গী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা নুঙ দলান মপাদা খঙহৌদনা চীঙ নীংখায়রকপদগী হায়ৱে অসি অমুক থিংলুরবগী তুংদা বি আর টি এফনা অমুক শেংদোকপা লৈখ্রবনি।

## রিজনেল মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : আই সী এ আর রিসার্ছ কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টর লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা ঙসি সেন্টর অসিগী হোলদা আই সী এ আর সীদ প্রোজেক্ট অমদি এন এস পি ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন হিল ষ্টেটসকী ইমপ্লিমেন্টসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা রিজনেল মীটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

মিটিং অদুদা নোর্থ ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অরুনাচল প্রদেশ, মেঘলায়া, মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমদি সিক্কিমদগী দেলিগেট ৩৫ রোম্না শরুক য়াখি। মিটিং অদু আই সী এ আরগী রিসার্ছ কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজনগী দিরেক্টর ডো. এস ভী ঙচাননা প্রিসাইদ তৌখি।

থৌরমদুদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট সীদ সাইন্সকী দিরেক্টর ডো. রাজেন্দ্র প্রসাদনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডো. নারেন্দ্র প্রকাশ, আই সী এ আর মিজোরাম সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডো. এস বসন্ত অমদি প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডো. আই মেঘচন্দ্রসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। মিটিং অদুদা আই সী এ আরগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি হায়না আই সী এ আর রিসার্ছ কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টর লম্ফেলপাৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বি জে পিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মহিলা মোর্চা, মণিপুর প্রদেশকী এক্টিব মেম্বরশিংগী মরক্তগী নৌনা ওফিসকী থৌ পুনবা অমদি ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং খনখ্রে।

বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সুমতিবালা নিংথৌজমনা ঙরাং থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না থৌ পুনবগীদমক খনখ্রবশিং অদুদি ভাইস প্রসিদেন্টতা এ রাধারানি, ৱাঙূ কোম অমদি খাদিয়ন বিবিনি। জেনরেল সেক্রেটরিদা এল দয়াবতি, ট্রেজররদা কে ঐচ জানকি, সেক্রেটরিদা আর কে রঞ্জিৎতা অমদি পি ঐচ প্রেমাশ্বরিনি।

ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিংদি নাওরিয়া পাখঙলাকপদগী এস সনাহনবী, লমশাং মন্দলদগী এল বোবি, শিংজমৈদগী টি ঐচ মুখ্রা, অন্দ্রোদগী কে ইনাওচা, য়াইস্কুলদগী এল ওংবী ইনুঙানবী, থাংমৈবন্দদগী সুজাদা ফাওমৈ, হৈঙাংদগী এল রত্না, হৈঙাংদগী দল্লিয়ু পদ্মাবতি, ককচীংদগী এস ওংবী প্রেমিলা, উখুলদগী পামরৈফি তুংসাং, লিলোংদগী পি ইবেমহল, কৈশামথোংদগী ৱাই মেমচা, লল্লাইদগী ৱাই ভেলেনা, হৈরোক্তগী সোরোজিনি, শিংজমৈদগী এস ঐচ প্রেমাবতিনি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মহিলা মোর্চাগী রুল ফোর মোর্চা এন্দ সেলস অন্দর রুল নম্বর-৬ (বি) অমদি ৭গী মখাদা এক্টিব মেম্বরশিংগী মনুংদগী ওফিসর বিয়ারর অমদি ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং ইন্টরিম এরেঞ্জমেন্ট ওইনা খনবনি। ওর্দর অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌগনি হায়নস চেরোল অদুনা মখা তারি।

## 'লৈঙাক্লা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ২২(ঐচ এন এস)ঃ চহী খরগী মমাঙদা কুম্বী এ সীগী মনুংদা জপানিজ এনকেফেলাইটিস নাদুনা মীওই কয়ামক শিখিবা অমসুং শিহৌদবশিংনা চৈথেং ফংদুনা ৱাখল মাঙদুনা হিংলিবা লাইবক থীবা মীওই কয়াসু লৈরিবনা এ সী অসিগী মীয়াম্না লায়না অসি খঙহৌদনা শন্দোরক্কনি হায়বা চিংনবা লৈবনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না কুম্বী কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কমিটিগী সেক্রেটরি খাঙেনবম শ্যামকিশোরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমদা সাইন্সনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতম অসিগা ইরোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লা লায়েংশঙদা থাদরিবা য়াম্লবা শেনফমশিংগা য়েংনরুবদা মীয়ামদা মতম চানা ফংদবা অমসুং য়ৌদবগুম থোক্লি।

মরু ওইনা মণিপুরদা চহী খুদিংগা কাংনা চিকপদগী শন্দোরকপা জপানিজ এনকেফেলাইটিস লায়না অকিবা ফাওনৈ। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব অমসুং এন জি ওশিং য়াওনা মীয়ামদা মথৌ তাবা হীদাকশিং শীজিন্নগনি হায়বগী মতমদা ৱাখল তাহনফম থোকই।

## য়ুনিট কাউন্সিল হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২(ঐচ এন এস)ঃ দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), ময়ায় লোয়শঙদা লূপ অসিগী ওর্গনাইজেসন এন্দ কো-ওর্দিনেসন সেক্রেটরি ঈ মুশুক য়াওনা সী সী হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা স্কুল অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎনবগীদমক সী সী হায়র সেকেন্দরী স্কুল দেসম য়ুনিট কাউন্সিল হাংদোকখ্রে হায়রি।

দেসাম, ময়ায় লোয়শঙগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি রোজিয়া ওক্রমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, হাংদোকখিবা কাউন্সিল অদুগা প্রসিদেন্টনা মোতিলাল কে ঐচ, ভাইস-প্রসিদেন্টনা এম দি সাফিগুর রাহমান, সেক্রেটরি জেনরেলনা টি ঐচ সুশিল ওইরগনি।

## কর্ফিয়ু লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২ (ঐচ এন এস) : লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নুঙ্গৈগী এরিয়াদা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপনা মরম ওইদুনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎলকপদগী মফম অসিদা কর্ফিয়ু থল্লকপা অদু লৌথোক্লে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পি রঞ্জিৎ সিংহনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

## CROSSWORD-2139



**ACROSS**

1 Dive (6)
4 Closer (6)
8 Prohibited (5)
9 Abandon hope (7)
10 Frenzied (7)
11 Confess (5)
12 Naval vessel (9)
17 Group of singers (5)
19 Light-fingered people (7)
21 Clique (2-5)
22 Free of obstructions (5)
23 Sunder (anag) (6)
24 Dismal (6)

**DOWN**

1 Postpone (3,3)
2 Scold (7)
3 Spectre (5)
5 Rapture, bliss (7)
6 Kingdom (5)
7 Something uncommon (6)
9 Adorned (9)
13 Dickensian miser (7)
14 Mediterranean holiday area (7)
15 Combat (6)
16 Fish-eating bird of prey (6)
18 Academy award (5)
20 Become liable for (5)

Solution 2138

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | I | G | N | ■ | P | A | R | M | E | S | A | N |
| C | ■ | O | ■ | S | ■ | N | ■ | A | ■ | E | ■ | O |
| R | E | F | R | A | I | N | ■ | Y | E | A | T | S |
| U | ■ | A | ■ | N | ■ | U | ■ | O | ■ | W | ■ | Y |
| T | I | R | E | D | ■ | A | G | R | E | E | D | ■ |
| I | ■ | ■ | ■ | A | ■ | L | ■ | ■ | ■ | E | ■ | E |
| N | E | S | T | L | E | ■ | R | A | N | D | O | M |
| Y | ■ | W | ■ | ■ | ■ | T | ■ | C | ■ | ■ | ■ | P |
| ■ | S | O | R | R | O | W | ■ | R | A | V | E | L |
| L | ■ | L | ■ | A | ■ | I | ■ | O | ■ | O | ■ | O |
| O | G | L | E | D | ■ | N | O | S | E | G | A | Y |
| T | ■ | E | ■ | I | ■ | G | ■ | S | ■ | U | ■ | E |
| H | A | N | G | O | V | E | R | ■ | N | E | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## সী পি আই (এম) না অনাবা হংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২২(ঐচ এন এস)ঃ কলাক্ষেত্র মণিপুরগী ফাউন্দর হৈস্নাম কহ্নাইলাল নাদুনা লৈরে হায়বা তাবদগী কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয় (মার্ক্সিষ্ট)কী সেন্ট্রল কমিটিগী মেম্বর গৌতম দাশনা লুচিংদুনা ঙসি অনাবা হংবা চৎলুরে। অনাবা হংখিবা অদুদা সী পি আই (এম), মণিপুরগী সেক্রেটরি সরত সলাম অমসুং সেক্রেটরিএট মেম্বর ক্ষেত্রিময়ুম সান্তসু য়াওখি হায়না সী পি আই (এম)গী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

/ Hon'ble MLA Shri K. Sharat Singh বু থাগৎচরি

Konthoujam AC গী Polling Station 18/12 & 118/13 Yurembam Makha গী প্রজাশিংগী NFSA গী মখাদা RC & Card Holder শিংদা চেং Kg. ১ দা লুপা ৩/৩ দা মেম্বর খুদিংগী কেজি ৫/৫ চপ মান্ননা এপ্রিল ২০১৬গী চেং পিবিবগীদমক্তা Hon'ble MLA Shri K. Sarat, Hon,ble Minister (FCS)& DSO Imphal West পুসু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোংদোকচরি। লোয়ননা অথুবা মতমদা মে, জুন অমদি জুলাই, ২০১৬ সু পিবিনবা মরি লৈনবশিংদা হন্না হন্না খঙহঞ্জরি।

Sd/- Yurembam Makha 18/12 & 18/13 কী সেল্লিং কমিতি

HL-P/9171/23

/ খংহঞ্জবা

ঙসি তাং ২২/০৭/২০১৬ ইংদা Smt Pebam Subadani Devi (51) W/o Late P. Biramangol Singh of Govindagram Maning Leikai দা লৈজবা ঐনা লৈখিদ্রবগী Legal Wife নি Affidavit অমসু তারিখ ১০-৫-২০১৬ দা লৌজরে।

মরম অদুনা কনাগুম্বনা মসিগী মতাংদা য়েৎপিনিংবা লৈরগদি নুমিৎ ৭ (তরেৎ)গী মনুংদা য়েৎপিরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা কমপ্লেন্ট লৌজরোই।

Sd/- Pebam Subadani Devi
W/o (L) P. Birmangol Singh
of Govindagram Maning Leikai, I/W

HL-P/9170/23

/তোন্সিনগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা তোন্সিননা নাদুনা চাবা থকপা ঙমদবা, তিন শিৎপা ঙমদবা, লোক খুবদা ঈ য়াওবা, খনাও পোম্বা, ৱা ঙাংবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

**Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon.**
**Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm**

থাগৎচরিবা : **Sorenshangbam Modhubala Devi**
Khangempalli

HL-B/3175/08/07-07/08

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE PRINCIPAL,**
**D.M. COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL**

**/NOTIFICATION**

Imphal, the 22nd July, 2016

No. 301/1/09-TE: In pursuance of Resolution No. 2 of the Admission Committee Meeting held on 22nd July, 2016, the special entrance test for admission to B.Ed. 1st Semester, 2016 of the college is postponed to Tuesday, the 26th July, 2016 at the same venue and time due to Manipur Bandh called on 24th July, 2016

***Smt Th. Ibetombi Devi***
***Principal-in-Charge***
***D.M. College of Teacher Education, Imphal***

HL-P/9176/23

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



**অঙৌবা পকপা :**

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :**

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

**DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)**
**Khoyathong Christian Literature House Building**
**Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal**

HL-B/3169/03/07-02/08

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1934

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 6 | 5 | | 1 | 8 | | | |
| | | | | 9 | | | | |
| 8 | | 7 | | | 2 | 3 | | 6 |
| | | 6 | 7 | | | | | |
| 3 | | 2 | | | | 5 | | 4 |
| | | | | | 5 | 9 | | |
| 7 | | 1 | 2 | | | 8 | | 9 |
| | | | | 7 | | | | |
| | | | 9 | 5 | | 6 | 3 | |

Solution-1933

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 2 | 1 | 7 | 9 | 5 | 8 | 6 |
| 8 | 6 | 1 | 3 | 5 | 4 | 7 | 2 | 9 |
| 7 | 5 | 9 | 8 | 6 | 2 | 3 | 4 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 1 | 3 | 6 | 5 | 7 |
| 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 7 | 8 | 3 | 2 |
| 5 | 3 | 7 | 2 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 5 | 9 | 1 | 3 |
| 9 | 2 | 5 | 6 | 3 | 1 | 4 | 7 | 8 |
| 4 | 1 | 3 | 7 | 9 | 8 | 2 | 6 | 5 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9